# আই লীগ চংবা ঙমখ্রবা নেরোকা এফ সিগী প্লেয়ার অমদি ওফিসিয়েল মীয়াম্না ওকখ্রে



*ইম্ফাল,মে ২৪ঃ*
ফুটবোল মশান্নদা ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বায়দগী ৱাংবা তাঙ্কক অমা ওইরিবা আই লীগ ফাওবা চংবা ঙমখ্রবা নেরোকা এফ সি সঙাকফমগী শান্নরোইশিং অমদি ওফিসিয়েলশিংনা ঙসি ইম্ফাল ইন্টর্নেস্নেল ইয়রপোর্টতা থুংলবদা মীয়াম্না লৈ পরেং হুক্তুনা ওকখ্রে।

নেরোকা এফ সিগী শান্নরোইশিং অমদি টিম ওফিসিয়েলশিং অদু ইয়ার এসিয়াগী ফ্লাইট অমদা য়াওরক্তুনা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৪৫দা ইম্ফাল ইয়রপোর্টতা থুংলখি। মদুদা মখোয়বু মীয়াম্না লৈ পরেং হুক্তুনা হরাউ তয়াম্বা ফোংদোল্লক্দুনা ওল্লবা মতুং বেন্দ পার্টি অমনা মাং থাদুনা গারী অচৌবা অমদি মচা কয়াদা মখোয়বু পুদুনা ইম্ফাল সহরগী মরু ওইবা মফম কয়াদা কোয়না চৎখি।

মীয়াম্না ওকপা অদুগা মরি লৈননা নেরোকা এফ সিগী কোচ গিফট রায় খাননা ফোঙদোক্লদুনা টিম অসিনা আই লীগকী থাক্তা শান্নবা ঙমলকপা অসি মতম কয়াগী মমাংদা মংলকপা মঙ অদু মংফাওনবনি। টিম অসিনা থাক অসি য়ৌবা ঙম্লিবা অসি মণিপুর মীয়াম্না পুক্লিং থৌগৎপিবা অদুনা য়ৌবা ঙমখিবনি। মখাতানা মণিপুরগী মীংচৎ পুরকপা ঙম্নবগীদমক টিম অসিনা কন্না হোৎনরগনি।

ইন্দিয়াদা ফুটবোল মশান্নগী লমদা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী শান্নরোইশিংনা তোঙান তোঙান লৈবাক অসিগী ক্লবকী ওইবা টুর্নামেন্টশিং খুদুম চনশিনবা ঙম্লক্লি।

ইকুই কুইদ্রিঙৈদা মীজোরামগী আইজোল এফ সি না ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবনি হায়না লৌনরিবা আই লীগতা চেম্পিয়ন ওইদুনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল পুৱারিদা অৱাং নোংপোক্কী ওইবা অনৌবা লমায় অমা হাংদোকপা ঙমখ্রবনি।

মখোয়গী মতুং ইল্লদুনা মণিপুরগী নেরোকা এফ সি না ইন্দিয়াগী আই লীগকী হেক মথংদা লৈরিবা খ্বাইদগী মরুওইবা ক্লবশিংগী টুর্নামেন্ট সেকেন্দ দিভিজন লীগতা কোলকাতা, দিল্লি, হায়দ্রবাট, কস্মির অমসুং মহারাষ্ট্রগী টিম ৫ নমথরগা লীগ অসিগী অরোইবা রাউন্দ শান্নদ্রিঙৈ মাংওইননা পুন্না মেটচ ১০ শান্নগদবা অদুদা ৯ শান্নবা লোইশিনখিবদা লম্বা পীবা ঙম্লোইদবা ফিভমদা লৈদুনা লীগ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

নেরোকা এফ সি না টিম ৬না শান্নবা সেকেন্দ দিভিজন লীগ অসিগী রাউন্দ ৯ লোইশিনখিবা মেটচ অমফাওবা মায়থিবা নঙদনা পোইন্ট ২৩ ফঙলগা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা ওইরিবা কোলকাতাগী সাউদর্ন সম্মিটিদগী পোইন্ট ৬ হেল্লগা লীগ অসিগী চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

নেরোকানা পুন্না মেটচ ৯ শান্নবদা ৭ মায় পাক্লবা মেটচ অনী দ্রো চৎখি। মখোয়না ইকোন কোন্না থা অসিগী ২২দা কস্মিরগী লো ইষ্টার ক্লবক শান্নবদা পাঞ্জল ৪–১ দা মায় পাক্তুনা লীগ অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। থা অসিগী ২৮দা খুমন লম্পাক্তা টিম অসিনা সাউনর্দ সম্মিটিগা ১০ শুবা অমদি অরোইবা লীগ মেটচ অদু শান্নগনি।

মথংগী সিজনদা মণিপুরগী নেরোকা এফ সি না ইন্দিয়াগী আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারগনি।

# ১২শুবা তেলৌ সোসাইটি ত্রোফি ২০১৭
# সি ঐচ ৱাই য়ু সি চালৌ ফাইনেল চংখ্রে

*ইম্ফাল,মে ২৪ঃ*
তেলৌ জোইন্ট কো–ওপরেটিভ ফার্মিং সোসাইটি লিমিটেদনা শীন্দুনা টিম ২০না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ স্পোর্টিং ক্লব, তেলৌগী গ্রাউন্দদা চত্থরক্লিবা তেলৌ সোসাইটি ত্রোফি ৭–এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা সি ঐচ ৱাই য়ু সি চালৌনা এস টি টি সেক্তা–এবু গোল ২–১দা মায়থিবা পিদুনা ফাইনেল চংখ্রে।



থা অসিগী ২৮দা শন্নগদবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচতা সিঐচৱাইয়ুসি চালৌ অমদি এফ সি তেল্লৌ–এ অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি সি ঐচ ৱাই য়ু সি চাল্লৌ অমদি এস টি টি সেক্তা–এগা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা সি ৱাই য়ু সিনা এস টি টি সেক্তা–এবু গোল ২–১দা মায়থিবা পিখিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা হল্ফতা নাকল অনীমক্লা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। নাকল অনিমক্লা অকনবা এটেক চত্থনবগা লোয়ননা অনীশুবা হাল্ফকী ৩৬শুবা মিনটতা এস টি টি সেক্তা–এগী বিগ্যানন্দনা গোল ১ স্কোর তৌদুনা তিম অসিনা গোল ১ মাংজিল থাখি।

মাংজিল থানা লৈরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা সি ঐচ ৱাই য়ু সিগী মাইকৈদগী কন্না হোৎনবগা লোয়ননা মেটচকী ৪৫শুবা মিনটতা মাইঙৌনা গোল ১ মদুগী মতুং ৫৪শুবা মিনটতা মনিসনানা গোল অমগা চনবদগী টিম অসি ফাইনেল চংবা ঙমখিবনি।

মেটচ অদুগী ১৯শুবা অমদি ৪০শুবা মিনটতা সি ঐচ ৱাই য়ু সিগী সনজিৎ অমদি মনিসনাবু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি। অদুগা মেটচকী এদিস্নেল টাইমদা এস টি টি সেক্তা–এগী বসন্তবু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

# ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সরশিংনা অহানবা ওইনা ফোরেন কোচকী মখাদা ত্রেনিং ফঙগদৌরি

*ন্যু দিল্লি,মে ২৪ঃ*
মালেমগী নুপীগী বোক্সিংগী লমদা হান্নদগী মেরি কোম্না অচৌবা জাগা অমা কল্লম্বা মতুং মখা তানা অহেনবা মীংচৎ পুরক্লবগীদমক হোৎনরকপগী লম্বেলদা লৈবাক অসিগী নুপীগী বোক্সরশিংনা ফ্রান্স মচা ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিয়েসনগী ষ্টার অহুম ফঙলবা কোচ অমা ওইরিবা ষ্টেফেল কোতালোর্দগা লোয়ননা চহি অনী ত্রেনিং ফঙগদৌরি।



মশাগী চহি ৪১শুরবা কোচ অসি য়ুরোপিয়ান বোক্সিং কনফেদরেসনগী কোচশিংগী কমিসনগী মেম্বর অমসু ওইরিবনি।

কোচ অসিনা ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সরশিংগা লোয়ননা মথং থাগী অহানবা চায়োলদা পুন্না ত্রেনিং হৌমিন্নগদৌরি।

কোতালোর্দনা নত্তনা ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সিংগী য়ুঠ টিম্নসু ইটালিগী কোচ রফেল বর্গামাস্কোগী মখাদা ত্রেনিং ফঙগদৌরি।

অমরোমদা নুপা বোক্সরশিংগী ওইনা সন্তিয়াগো নিভানা কুমজা ২০২০ ফাওবা ইন্দিয়াগী কোচ ওইগদৌরি।

বর্গামাস্কোসু দিসেম্বর ২০২০ ফাওবা নুপীগী য়ুঠ বোক্সরশিংগী কোচ ওইনা থৌ পুগদৌরি। মহাক মশামকসু ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিসেনগী ষ্টার অহুম ফঙলবা বোক্সিংগী কোচ অমসু ওইরি।

ফ্রান্স মচা ষ্টেফেন কোতালোর্দগা দিসেম্বর ২০১৮ ফাওবা ইন্দিয়াগী নুপীগী কোচ ওইনা থৌ পুগদৌরি। অদুগা নুপাগী অমদি নুপীগী য়ুঠ বোক্সরশিংগী কোচ ওইনা থৌ পুগদৌরিবা সন্তিয়ানো নিভা অমদি রাফেল বর্গামাস্কোগী দিসেম্বর ২০২০ ফাওবা থৌ পুগদৌরি। মথং থাগী অহৌবা চায়োলদা রাফেল অমদি ষ্টেফেন্না থবক পায়বা হৌরকপদা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসিয়েলগা উন্নদুনা বোক্সিং কেম্পশিংগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল শান্নগৌদরি।

# ১০শুবা লোক্তাক ত্রোফি
# এম টি এফ সি অমদি জি দি সি মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল,মে ২৪ঃ*
ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা নেস্লেল হাইদ্রো পৱার কোওপরেসনগী শেল্লুং মখাদা টিম ৮না গ্রুপ অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা মোইরাং মল্টিপর্পস হয়ার সেকেন্দরি স্কুল গ্রাউন্দা থা অসিগী ১৪দগী চত্থরকখিবা ১০শুবা লোক্তাক ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এম টি এফ সি মোইরাংনা কে পি এফ সি পোৎশংবম্নু গোল ২–০দা মায়থিবা পিখ্রে।



অনীশুবা মেটচতা জি দি সি থিনুঙ্গৈনা টি ৱাই দি এ তৌবুলবু গোল ৪–১দা মায়থিবা পিখ্রে।

এম টি এফ সি অমদি কে পি এফ সি অনিনা লম্বা চানা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা অহানবা মেটচ অদুদা এম টি এফ সিনা কেপি এফ সিবু গোল ২–০দা মায়থিবা পিখিবনি।

মেটচ অদুদা এম টি এফ সিগী মায় পাকপগী গোল অদু মেটচকী ৩৩শুবা মিনটতা এল ইবোতোম্বীনা গোল ১ অমদি ৩৬শুবা মিনটতা নাওচানা গোল ১গা চনখিবনি।

মেটচ অদুগী ১৯ অমদি ৪২শুবা মিনটতা এম টি এফ সিগী অঞ্জুল মাহিল অমদি রোক্কিবু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি। অদুগা ৩৩ অমদি ৫২শুবা মিনটতনা কে পি এফ সিগী ধনা অমদি সুরচান্দবুসু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

অনীশুবা মেটচা জি দি সি থিনুঙ্গৈগা টি ৱাই দি এ তৌবুলগা লম্বা তৌনখি। মদুদা জি দি সিনা গোল ৪–১দা টি ৱাই দি এবু মায়থিবা পিখি।

মেটচ অদুদা জি দি সিগী মায় পাকপগী গোল অদু মেটচকী ৯, ৪২ অমদি ৫৮শুবা মিনটতা বিপুলনা গোল ৩ অমদি ২৫শুবা মিনটতা বোয়াইনা গোল ১গা চনখি।

মায়থিহৌরবা টি ৱাই দি এগী অমত্তা ঙায়রবা গোল অদুনা মেটচকী ৫১শুবা মিনটতা কিসনা চনখিবনি।

মেটচ অদুগী ৩৭শুবা মিনটতা হেরোজিৎনা নিয়ম কায়না শান্নরুবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

# ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল,মে ২৪ঃ*
চৎলিবা চহি ২০১৭কী ১৭শুবা জুনিয়র গর্লস ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট জুনগী তাং ৭তগী পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না খঙহল্লক্লি। এন্ট্রি ফোর্ম পীশিল্লকপগী অরোইবা নুমিৎ জুনগী ২দা ওইগনি। মেনেজরশিংগী মিটিংনা অম্ফাগী ওফিস্তা জুনগী ৫গী নুংথিলগী পুং ১ তাবদা পাঙথোক্কনি হায়রি। লোয়ন–লোয়ননা এন্ট্রি ফি ওইনা লুপা ১০০০।– ওইগনি। ইং ২০০০গী জানুৱারী ১দগী ইং ২০০৩ গী দিসেম্বরগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা পোকপা শান্নরোইশিংনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি।




# এ আই এফ এফ ৱুমেন্স কম্পিটিসন পাঙথোক্কদবা নুমিৎশিং লাউথোকখ্রে

*ইম্ফাল,মে ২৪ঃ*
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) গী জেনরেল সেক্রেটরী এল রঞ্জিৎ রোইনা থোরকপা মেমোরেন্দম অমগী মতুং ইন্না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না ইং ২০১৭–১৮ সিজনগী এ আই এফ এফ ৱুমেন্স কম্পিটিসন পাঙথোক্কদবা নুমিৎশিং লাউথোরক্লি।

ইং ১০১৭ কী জুলাইগী ১দগী ২৪ ফাওবা ইন্দিয়াগী ওইবা জুনিয়র গর্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি হায়রি। ইং ২০০০গী জানুৱারী ১দগী ২০০৩ গী দিসেম্বরগী ৩১ ফাওবদা পোকপী শান্নরোইশিংনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি।

ইং ২০১৭কী নভেম্বরগী ১দগী ২৪ ফাওবা ইন্দিয়াগী ওইবা সব–জুনিয়র নেসনেল ৱুমেন্স ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্কনি। টুর্নামেন্ট অসিদা ইং ২০০৩ গী জানুৱারী ১দগী ২০০৫ গী দিসেম্বরগী ৩১ ফাওবদা পোকপী শান্নরোইশিংনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবনি হায়রি।

২৩শুবা সেনিয়র ৱুমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপনা ইং ২০১৭কী দিসেম্বর ১দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

# মণিপুর হোক্কিগী রেজিষ্ট্রেসন ককখ্রে

*ইম্ফাল,মে ২৪ঃ*
থা অসিগী ২২দা মণিপুর লৈঙাক্কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী (কো–ওপরেসন)না থোকখিবা ওদর অমগী মতুং ইন্না মণিপুর হোক্কিগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর ৪০২ ।এম ।এস আর। ২০০৯ অসিগী রেজিষ্ট্রেসন কক্লে হায়রি।

মণিপুর সেক্রেটরীয়েট কো–ওপরেসন দিপার্টমেন্টনা থোকপা ওদর অদুগী মতুং ইন্না মণিপুর হোক্কিগী রেজিষ্ট্রেসন অসি মণিপুর সোসাইটিজ রেজিষ্ট্রেসন রুল ২০০৪গী রুল নম্বর ৩৮গী মখাদা ককপনি হায়না প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী পি ভাইফৈনা থোকখিবা ওদর অদুদা পাল্লি।

মণিপুরগী ওইনা অশেংবা ষ্টেট লেভেল এসোসিয়েসন অসি হৌজিক হোক্কি মণিপুর হায়রিবা সোসাইটিজ রেজিষ্ট্রেসন নম্বর ৪১৯ ।এম ।এস আর। ২০১০অসিনি হায়না ওদর অদুদা পনবগা লোয়ননা হায়রিবা হোক্কি মণিপুরনা ষ্টেট অসিদা হোক্কি মশান্নগা মরী লৈনবা মথৌ মপুং ফানা তৌনবসু খঙহনখ্রে।

২০১৬গী জুলাই ২২দা মণিপুরদা লৈরিবা হোক্কি এসোসিয়েসন অনি অদুগী চৎয়েৎনবা অদু লোইশিন্নবা অইবা চেরোল পীরক্লবা খঙহনখিবনি। হায়রিবা চেরোলশিং অদু য়াম্না কুপ্না অমদি চেকশিন্না য়েংশিল্লবা মতুংদা মশান্না অসিগী ইন্টরেষ্ট ঙাক্লবগীদমক এসোসিয়েসন অনী পুনশিন্নবা খঙহনখিবনি।

ওর্দর অদুগী মতুং ইন্না ২০১৭গী জনুৱারি ১৯দা হোক্কি মণিপুরগী মাইকৈদগী অইবা চেরোল পীশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুর হায় কোর্টতা ৱাফম অদুগী মতাংদা লৈরিবা ইশুশিংগী রিপোর্ট পীরকখি।

হোক্কি মণিপুরনসু অইবা চেরোল অমা চহি অসিগী এপ্রিল ১২দা পীশিল্লক্তুনা অচুম্বা ৱায়েল তৌনবা খঙহল্লকখি। পুম্নমক অদু য়েংলবা মতুংদা কো–ওপরেসনগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরীনা থোকখিবা থা ৬কী মনুংদা পুশিন্নবা ২০১৬দা হায়খিবা ৱাফম অদুদা য়ুমফম ওইরগা মণিপুর হোক্কিগী রেজিষ্ট্রেসন অদু ককখিবনি। মশান্না অসিগী অমত্তা ঙাইরবা ওর্গনাইজেসনদি হোক্কি মণিপুরনা ওইবা হায়না শক খঙলে হায়নসু ওর্দর অদুদা পল্লি হায়রি।




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*